# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ৱেথ লিফতর সাইখোম মিরাবাইবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না তরামা ওকখ্রে, পেরিস ওলিম্পিক্সতা থোইদোক হেন্দোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিবদগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী বোর্দর পিল্লর নম্বর ৬৭ মনাক্তগী আইন্না য়াদবা পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে।
অমসুং

৩) পেরিস ওলিম্পিক্স গেমস ২০২৪ লোয়শিনখ্রে, আমেরিকানা পুমমক্কী মকোক ওইরে।

------

বিরেন (এল)ঃ পেরিস ওলিম্পিক্তা ৱেথ লিফিতিং মশান্নদা শরুক য়াখিবী মণিপুর সাইখোম মিরাবাই চনু ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে। মহাকপু ঙরাং ইম্ফালগী মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা শ্রী বিরেন্না তরামা ওকখি। মুখ্য মন্ত্রিনা শান্নরোই অসিনা গেমস অসিদা তকমান ফংবা ঙমখিদ্রবসু থোইদোক হেন্দোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিবদগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মিরাবাই চনুনা ৱেথ লিফতিং মশান্নদা মালেমগী থাক্তা চাংদমবা কয়াদা পুরকখিবা মীংচৎশিং অদুগীদমক ঐখোয়না চাউথোকচবা পোকই। হৌজিকসু মখা তানা

মহাক্কী খাঙবা কনবা অমসুং ৱেথ লিফতিং মশান্নদা কৎথোকপগী মমি চাউনা তারি। তুংদা শান্নরোই অসিনা হোৎনরকপা খুদিংমক্তা চাউনা মায় পাকপা ওইরসনু হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা য়াহফ পাউজেল পীরি।

পুলিস (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা লৈবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৬৭ কা নকা চেনবা তুইদিম তুরেল মনাক্তগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইন্না য়াদবা পোৎলমশিং ফাগৎলে। মদুগী মনুংদা সাপোন কেপ ২০ দা হাপ্লন্বা ব্রাউনসুগর, দিটোনেতর ১০০ অমসুং মিতর মঙা শাংবা সেফলি ফ্যুজ অমা য়াওরি।

অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং চীংদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে। অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়- অককবা পাউ অমা ফংবদগী নহাল মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা পিষ্টোল অমা, কন্ত্রি মেদ সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, গ্রেনেদ ৮ অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি।

সাইকুলগী ইকৌ মুলাম ভিলেজদা হান্নগী এম.এল.এ- য়ামথোং হাওকিপগী লোয়নবী চরুবালা হাওকিপ বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা লৈখিদবগী মতাংদা পুলিসনা থিজিনবগী থবক চথরি।

মণিপুর পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিল্লিবা অসিগী রিপোর্ট ফংলবা মতুংদা অশেংবা অদু খঙবা ঙমগনি। মরম অদুনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা তোকঙা শন্দোকপীদনবা রাজ্য পুলিসনা আপীল তৌরি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা কামজোং জিলাগী ফাইকো অমসুং নমপিসাদা উ চারা থাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। মফম অদুগী মীয়ামগা লোয়ননা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিংনা পুন্না উ চারা লিশিং ২,৫০০ রোম থাখি।

চান্দেল জিলাগী খেংজোইদা থা অসিগী ২ দগী ১০ ফাওবা মেগা স্পোর্টস মিট অমা পাঙথোকখ্রে। স্পোর্টস মিট অদুদা মফম অদুগী নুপা অমসুং নুপী খুঞ্জাশিংনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা অতোই অহেন তান্নখি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। সেনাপাতি, উখ্রুল, কামজোং, ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুরদা ঙসি অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি। নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, তেংনৌপল, চান্দেল অমসুং ককচিং জিলাদা থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৫ দা অখাক অরাউগা লোয়ননা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী রিপোর্ট মতুংইন্না ঙরাং নোনে, সেনাপতি অমসুং উখ্রুলদা ময়াই ওইরপ নোং চুখি হায়রি।

ওলিম্পিক্স ঃ পেরিস ওলিম্পিক্স গেমস ২০২৪ লোয়শিনখ্রে। ওফিসিয়েল ওইনা পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরমদা ওলিম্পিক্কী মৈরা মুত্থৎখি অমসুং ওলিম্পিক্কী ফিরাল ২০২৮ গী লোস এঞ্জিলিস ওলিম্পিক্কী ওর্গনাইজিং কমিতিদা খুৎশিন্নখি।লোইশিনবগী থৌরমদা ভারতকী ওইনা অনিরক ওলিম্পিক্কী মেদল ফংলবা পি.আর. শ্রীজেস অমসুং মনু ভাকরনা পেরেড ওফ নেসন্সতা ফ্লেগ বিয়ারর ওইখি। গেমস অসিদা ভারতনা লুপাগী অমা অমসুং শেঞ্জেংগী মঙা পুন্না তকমান ৬ ফংখি।

গেমস অসিদা য়ু.এস.এনা সনাগী তকমান ৪০, লুপাগী ৪৪, শেঞ্জেংগী ৪২ পুনা ১২৬ ফংদুনা অহানবা তারে। চিনানা সনাগী ৪০, লুপাগী ২৭ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৪ পুন্না তকমান ৯১ ফংদুনা অনিসুবা তারে। জপাননা সনাগী ২০, লুপাগী ১২ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৩ পুন্না তকমান ৪৫ ফংদুনা অহুমশুবা তারে।

ফুটবোল (এল)ঃ  ডাঃ বি.সি. রোই ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী জ্নিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপতা মণিপুরনা রন্নর্সঅপ তাখ্রে। অসামগী নুরুল অমিন ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেলদা তেলঙ্গনানা মণিপুরবু টাই ব্রেক্তা থোইখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ  ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিন্দুনা অন্ধ্র প্রদেশকী আনন্টপুরদা পাঙথোক্লিবা জ্নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ গী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী মেটচ অমদা মণিপুরনা হরিয়ানাবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। মণিপুরগী মথংগী মেটচ নোংচুপ বেঙ্গলগা হয়েং শান্নগনি।

বোদি বিল্ডিং (এল)ঃ  ইন্দোনেসিয়াগী বাতম সিতিদা থা অসিগী ৬ তগী চগুরকপা ৫৬ শুবা এসিয়ান বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসনগী মহুৎ শিন্দুনা চৎখিবা রোয়েল জিম নিংঙোম থোংগী টি.ঐচ. য়াইসনা মৈতৈনা কিলোগ্রাম ৭৫ ফাওবগী জ্নিয়র মেন্স বোদি বিল্ডিংদা সনাগী তকমান লৌরক্লে।

যোগ (এল)ঃ  হৈঙাংগী মার্জিং পোলো কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টিপরপজ হোলদা নুমিৎ হুমি চুপা চগুরকপা মরিরক শুবা ষ্টেট লেবেল যোগ আসন চেম্পিয়নসিপ ঙরাং লোইশিনখ্রে। মণিপুর যোগ আসন স্পোর্টস এসোসিয়েসন অমদি টি.সি. ইন্তরপ্রাইসনা পুন্না শিনবা চেম্পিয়নসিপ অদু লোইশিনবগী থৌরমদা লম্লাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ- খোংবানতাবম ইবোমচা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা যোগ আসন কয়াসু উৎখি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- মোলদ্বিপস অসি ভারতকী মরুওইবা মপাং অমনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা অমগা অমগা তেংবাংনদুনা লৈনরক্লিবা মরী অসি অনৌবা মায়ওন অমদা চৎননবা হোৎনরি।

মোলদ্বিপসতা ঙরাং অদ্দু রিক্লেমেসন প্রোজেক্ট অমসুং অদ্দু সোর প্রোটেক্সন প্রোজেক্ট শঙ্গাবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অনিগী মরক্তা চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈননা পীনরিবা তেংবাংশিং অসিগী মনুং চন্না মোলদ্বিপসকী মীয়ামগী পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লম কয়াদসু মখা তানা তেংবাং পীননবা পান্দম থল্লি।

ভারতনা মোলদ্বিপস সরকারগা পুন্না হোৎনদুনা পায়খৎমিন্নরিবা অদ্দু রিক্লেমেসন অমসুং সোর প্রোটেক্সন পোজেক্ট অসিনা অদ্দুবু রিজনেল হপ অমা ওইনা হেন্না চাওখৎহনবা ঙন্নগনি। দোল্লর মিল্লিয়ন ৮০ চংনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা মফম অদুগী তুরিজম চাওখৎহনবগী লোয়ননা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

বঙ্গলাদেশ ঃ বঙ্গলাদেশতা মরক্কী সরকার শেমখ্রবা মতুংদা সরকার অসিগী হোম এফ্যারস এদভাইজর এন. সখাৱট হুসেন্না পুলিস পার্সোনেলশিংবু মশা মশাগী মথৌদা অমুক হল্লকবা খঙহনখ্রে। লৈবাক অদুগী শান্তি রক্সাগী ফিভম ঙাকবা অমসুং মীয়াম্বু তেক্ত-কায়দনা লৈহন্নবগীদমক খোঙথাং অসি লৌখৎপনি।

মরক অসিদা বঙ্গলাদেশকী মরক্কী সরকার অসিবু লুচিংলিবা মোহামদ য়ুনুসনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মশিং য়ামজদবা কাংলুপকী মীওইশিংবু ওৎপী নৈবীবগী থৌওংবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোকশিং মখা তানা থোকহন্দনবা খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিংদা মোহামদ য়ুনুসনা আপীল তৌখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

যুনিয়ন মিনিষ্টর ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়া চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা ওফিসিয়েলশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে, নেসনেল স্পোর্টস যুনিভর্সিতি ২০২৫ গী ওক্তোবর থাদা শঙ্গানবগী থৌরাং লৈরে হায়বা পাউ পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মণিপুর মেলদসু অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- যুনিয়ন মিনিষ্টর মন্সুখ মন্দাভিয়াগী নুমিৎ নিনিগী মণিপুর খোঙচৎ লোইশিনখ্রে, হরাওথেলদা শাবা হৌগৎলিবা নেসনেল স্পোর্টস যুনিভর্সিতি ২০২৫ গী ওক্তোবরদা শঙ্গারগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- জিও ষ্ট্রেটেজিক পোলিসি অমনা মণিপুরবু মচেৎ তাহনগদ্রা অমসুং থুগাইরক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা পোক্লে হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- তাংজেং অমসুং নাপটকী লাঞ্জেন্নরিবশিং পেনদ্রে, যুমদা হঞ্জিন্নবা ফিরেপ লৌরগনি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনালৈবাক পাউচেদা- থঙ্গাল কৈথেলদা কাংলোন ঙাক্তনা যুম শাগৎনরে, আই.এম.সিনা য়েংলগা লৈরে, যুম অমগা যুম অমগা ইঞ্চি অমা ফাওবা অহাংবা থমদনা তপ নপা শাজিন্নরে হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর অসামগী ঙমখৈ ওইরিবা জিরি তৢরেলগী ঈচেল হোংখ্রে, জিরিবামগী খুৎচোইথুপ খুলগী লম হেক্তর ১৬ লোম অসামদা তিনখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- এক্স-এম.এল.এ য়ামথোংগী লোয়নবী বোম পোকখায়বদা লৈখিদ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লেন্দ স্লাইদা ইম্ফাল-সিলচর লম্বী ফাওনদ্রে, য়ুম ৮ চেন্থখ্রে হায়বা পাউ অমা মণিপুর নিউজগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পেরিস ওলিম্পিক গেমস ২০২৪ মপুং ফানা লোইশিনখ্রে, ব্রোঞ্জল মেদল লৌরকখ্রবা ইন্দিয়াগী হোক্কি টিমদা কেস প্রাইজ পীরগনি হায়না হোক্কি ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে, নুপীগী ফুটবোল মশান্নদা য়ু.এস.এনা গোল্ড লৌখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী শান্নবগী কলমদা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- লাক্কদৌরিবা নীংতম নুমিৎকা মরী লৈননা জিলা অদুগী স্কাউটস অমসুং গাইদসকা লোয়ননা সরকারগী ষ্টাফশিংনা তমেংলোংগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা সোসিয়েল সার্ভিস পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------